> "ইমাগী য়াথং ঙাকপা ঙম্লবদো মরাইবক ফরবনি
> মহাক মঙ্গল ওইরদৌবনি।"
> - হিজম গুণ (খদাংগী শন্থু)

## অনৌবা সভ্যতাগী ময়োল

**—নোংমাইথেম নোরেন**

য়েন্নীংথানা লাক্লবসু
ৱাকচীং উল্লেল নংলক্লবী
মল্ল' মালেম অসিদা
চোংলদ্রে অনৌবা সভ্যতাগী ময়োল!

মীওইবগী থম্মোয় পান্নদ্রবা
মীনুংশিগী ঈরিক কংনখ্রবা
লৈকংলাগী মালেম অসিদা
চোংলদ্রে অনৌবা সভ্যতাগী ময়োল!

ঈখেং কয়া তাখ্রবা
পিরাং কয়া নোংহৌনখ্রবা
লানগী মালেম অসিদা
চোংলদ্রে অনৌবা সভ্যতাগী ময়োল!

মিৎকপ থোক্লো হে খোরিলাংবা;
খূৎতা খোর্জেই পায়দুনা
মীনুংশিগী মপাউ য়েন্দুনা
মালহৌননবা মালেম অসি
চোংহন্দুনা অনৌবা সভ্যতাগী ময়োল।

## য়ূম মৈ চাক্লগা মীটিং ফম্বা

**—বীনাপানী থোকচোম**

ফম্ফম ওইরিবা চৌক্রি কন্না কোনবনা ফরিব্রা
থাদোকপনা ফরিব্রা খনফম
খঙদ্র-মাল্লে করিনো ময়াম তৌনরিবা
য়ূম মৈ চাক্লগা মীটিং ফম্বনা ফরিব্রা?
কাপ্পবনবু ফরিব্রা কাপ্পদবনবু ফরিব্রা
খনফম লাকফম খঙদে।
মায়কৈ মরিমক্তা মৈ থারক্লবদি ঈশিং
নোংমৈ অপায়বী লৈহৌবনা ফরিব্রা
নুপীগী সনা শাদৌ শরুক।
মী খরখক লৈজবসি শিখিবনা ফরিব্রা
হিংননবা চেনবনা ফরিব্রা মায়কৈ সলায় খঙদনা।
কোক্কী লানদি য়াম্না মরা তপ্পী
নোংমৈগী লানদি নিশা খরা চারবনিনা
য়াম্না থুখ্রেদা ফ্রং ফ্রং হেক্তা কাপথোরকই
চুঙ্গোয় লৈতে লায়রবশিংগী থবাক্কী ঈখেং অদুতনি
য়ূম মৈ চাক্লগা মীটিং ফম্বনা ফরিব্রা?

## তলব-খৈনি

**—এম নিলকুমারি**

তোলোপ ফংদে
তলব ফংই।
মীনা কুক কুক
তলবকীদমক, জর্দা-ক্বা-খৈনি কৌতা;
ঈশিং য়াল্লবা ময়াই কারবা নিশা য়ু-গঞ্জা
পূম্নমক মীগী মরল ঙাক্তনি ঙাওনবা।
তোলোপ-লোৎখ্রবরা চীংচেপ লান্দুনা
চীংজাও কাদুনা
নৎত্রগা খুনবা ঙম্লরোইদবা ইরোলনুংদা থাদখ্রবরা?
তোলোপ ফংদে তলব ফংই।
শম্বলনা হৱাই মতোল চাখ্রবরা?
শজিক চাবা ফংদবদগী
ষণবীনা ষণনাও শঙ্গোম পীথকত্রে,
য়েনবীনা য়েরূম কোকখিদ্রে,
চিঙ্গাক্কী মপাল তাংলুবদগী।
তলব, জর্দা, ক্বা-খৈনি, য়ু-গঞ্জা চিঙ্গাক্লি।
হে মীওইবা থৱায়গী লৈতেং ওইরিবা
তোলোপ ফংদে তলব ফংই।

## লান্মৈ চাকপা

**—আর কে বুধিমন্ত কার্টা**

কনানা থারকপা লান্মৈনো
মায়কৈ খুদিং শিন থুংখিদো।
লান্মৈ চাকপগী মখোলদা,
মশাগী ময়ূম কঞ্জনবা
তূমিন্না লৈবা ঙম্নদ্রেনে,
থম্মোয়দা তনিক তনিক হল্লি
অকিবনা খম থেংনখি
অতিয়া থক্তা পাইবা এরোপ্লেনগী
মখোলনা নাকোং শীংজা য়ৈখিদো
ময়াং সিফাই কয়াবু হোল্লক্তুনা
চাক্লিবা মৈরিসিবু কন্নবা ওইরম্লে,
করি মতৌ কৌবগে
অমুক্তসু থোকখিদ্রি
মচি মচিদা লৈপুঙ ৱারীনা
নিল্লখি মণিপুর কায়বা তারে
কন্দবা য়াদে মণিপুর।
পূম্নমকসিগী হৌরকফমসি
করিদগী, কদাইদগী করম্না
খঙনরবা ৱাফমনি
করি ওইরকপা, করি থোক্লগবা মণিপুর।
লাউরিনে মীওই কাঙলূপ অমনা,
ঐখোয় লান পামদে, শান্তি পাম্মী।

## থাজদ্রবা মীকুপ অদুনা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

থাজখিদরে য়াম্না
থাজখিদরে;
নুমিৎ খুদিং অদুক
য়াম্না চৎলিবদো
নোংমতা উখিদে;
থোঙ্গাল ৱাংমা লান্না
থোরকখিবা।
ঙসিদি ওন্থোক্না থাজদনা
য়াম্না থাজদনা,
খংবু খংই, খংপ্রেক
হেক খংই।
মায়গা মায়গা চিলওক্লনা
অয়ূক অমা শজিবু থাগী
ময়াইদা শমজিরৈ;
নাচোম থেৎলদুনা
সনা কৈথেল সোরোক
য়াংবিথক থেংনখি
কুইরবগী তুংদা।
কয়া কুইখ্রবা মা-ঐ
অরোইবা ওনখিবদো
নীংশিংবা ঙমখিদরে;
ঙসিনা করম্না থাজদ্রবা
মীকুপ অসিদা।

## ঐ মঙলাক্লরে

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

চৎনা চৎনা তূন্লি ঐ
তূন্না তূন্না চৎলি ঐ
কপ্পা কপ্পা নোক্লি ঐ
নোক্লা নোক্লা কপ্লি ঐ
হিংনা হিংনা শিরি ঐ
শিনা শিনা হিংলি ঐ
করি মতৌনো তৌরিবসিবো।
মঙলাক্লবা হায়না হায়নবদুবু
মতৌ অসুম্না তৌবজাৎলা
ঐবু অমুক্তদি হৌদোকপীয়ুবা।

কাঞ্জদা লিন চঙখ্রে
থোক্লক উ হায়বসু য়াদ্রে
খূজিন্দা তুম য়ুশিনখ্রে
শৎপগী পাঙ্গলসু য়াওদ্রে
খৌনাওদা মরূ পনখ্রে
য়োৎশিনবসু ওথোকপসু ঙমদ্রে
মাঙলোমদা চঙশিনসি কদাই
তুংলোমদা হন্দোকসি কদাই
হে তাইবঙ শেন্বীবা মপু
অমুক্তদি কনবীয়ু তোল্লবা ননাইবু।

## 'কাউরব্রা নখোয়বু নখোয়গী হৌরকফম'

**—বি মঙাং**

কাউরব্রা? নখোয়বু নখোয়গী হৌরকফম।
য়ূমদাংবনা কৈনাবশিং! নখোয়বু
লাইরিক্তি য়াম্না হৈরে, লাইশুদি কদায়
নতেকফমদা তেরো, নহনফমদা হল্লো
নঙনা অমুক তম্মুরি অরানবা পাউদম
শেমজিন শাজিনবা মপাউশিং
নখোয়না তৌরুবা অরানবশিং, লোৎশিল্লগা
শাশিন্নবা মপাউগী মায়খুম উপ্তুনা
লৈঙাক্কী মপু ইবুংঙোদা, লৈজবী থাদুনা
তারিমখোয়গী মপাউ, য়েংলি মখোয়গী মতৌ
কনা লৈরি! থম্মোয় শোক্লা কপ্লিবশিংগী
অৱাবা খোল্লাউ, ময়ূম মকৈ মৈ থাদোকপীখ্রবশিংগী
কনানা ঙাকপী শেনবীরি, তোল্ল তারবশিংগী
কয়াম কুইনা লৈখিনি, ঙাইহাক্কী লৈফমসিদা
করি য়েংলি? মৈ চাক্লিবা মণিপুরসিদা
পাইরকখিদায় দেল্লীদৈ মখোয়সু
ঙাঙলমদাই খোইহি তৈরবা ৱাহৈ কয়া
ৱাশকখিবদাই মীখল মমাঙদা
মীয়ামগী য়াইফনবা, চাওখৎনবা
শিনীংলগা শিসনু কপ্লগেগা কপ্লসনু
কৈদৌনেগে মী খুজোক খরসিবু
মীখল ময়াদা 'মুক লাওশিন্নরগা লোইরে
য়েংদুনা অদুম লৈদৌরিবা! কুম্মৈগুম
লাঞ্জদবশিংগী খোঙ্গুন মুৎত্রিফাওবা।

## রিলিফ কেম্প

**—এন বিমোলা লৈমা**

ঙসিদি চৎলুরে রিলিফ কেম্পশিংদা
অদুবু পূক্নিং ৱাখলদি লৈতাফম খঙদরে।
তম্পাক্তা লৈরে লৈতাফম খঙদরে
চীংদা চৎলুই মৈশা লাংই।
মীকপ মীরাওখোলতনা থল্লি
থম্মোয়সে পুবা ঙমদনা হল্লকখি।
নুংশিরবা ইচিল-ইনাও কয়াগী
ইচা-ইশু, অঙাং কয়াগী মতৌদু
ইমা-ইপাগুম্লবা অহল লমন কয়াগী মতৌশিংদু
উরুবদা লোন্না তারকখি, অরেপ্পা লৈতনা
পিরাং কয়া, লোন্না তৈথোকখি ইখূৎসিনা
খাঙবা ঙমদরে, থম্মোয়সে কায়রে
ঙাইহাক লৈরগা অমুক থোরকখি
অদুবু লোক্তাক ইমাসু কয়াদা ৱানা খাঙলিবা
মুৎশিরবা মৈঙালগী মরুমদা ঙামী কয়ানা
ঈল থাদুনা লেমলৈ ঙাবু ফারিবা কয়াম্নবু ফারিবা
নোংগৌবী কৌবী চেক্লোনা লাইজ ঈশিং ঙাইবগুম
লোক্তাক ইমানসু লাইজ ঈশিং ঙাইহৌরি
নোং মাবু চুরকপা, অদুবু নুংশিরবা চীংশিং অদুদি
উ-ৱা, হৈপাল-লৈপাল অমত্তা হৌদবনা
নোং মাসু চুখিদরে।
কুমগী নোংসু লাক্কদবা মানদরে
ৱারেদকো তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়সে করম্না হিংসিগে
শা-ঙা হাৎপদৌনা হাৎতোক্লরে
নোংমদি শোয়দনা শিগদৌবা মীওইবা মপোকনি
অদুবু ঙাইবা ঙমদনা হাৎতোক্লরিবা
কয়াদা মীনুংশি খঙদ্রিবা লেপ্পসি ঐখোয় হাৎনবা
ইমা অমত্তগী মচানি ঐখোয়।

## পিরাংগী মমল

**—রাজকুমারি মীনা**

লেংজরুবা কুন্দো পরেংদি,
তৎতুনা তাখ্রে লৈমায়দা
লৈররোই কনাসু খুনগৎপীনবা
মাঙলনি অসুম পৎতুনা।

নুংশি হৈত্রবা কনাগী
পুকচেল লেপত্রবা খোইমুগী
লেংজরুবা কুন্দো পরেংসে
মাঙলেদো লৈমায়দা চোইজাইননা।

নকুম-নথা লাক্লগা
শাৎলকউকো লৈরাং মফমসিদা
মতম অদুতদা নীংশিংজগে
খোইমুশিংসে লৌনম্মী হায়বা।

মতম মতমগী ৱাখল

# য়েলহৌমীশিং পুনশিন্নহৌরসি

মেগী তাং ৩, ২০২৩ মণিপুরদা করি থৌদোক থোকখি ? হৌজিক করি ফিভমদা লৈরি নৌনা অমুক পন্দ্রবসু য়ারে । নুমিৎ ১৫নি হেল্লে মণিপুর লৈঙাক্না ইন্টরনেট সর্ভিস থিংজিনখিবসি। থোক্লিবা থৌদোক ময়াম অসি ইন্টরনেট হাংলগদি হেন্না পাকথোক চাওথোক্লক্কনি হায়বগী থিংজিনবনি হায়রি। মসি চুমলম্মী অদুবু তম্পাক অমদি অনকপা মফমশিংদা ঈরাং থোক্লিঙৈ নোংমা নিনি থিংলগসু মখা চৎথনা অসুম থিংলগদি মসিনা মাঙজরকপসি হীরম খূদিংমক্তনি। থোক্লিবা থৌদোকশিংগী পাউদি ইন্টরনেট য়াওদ্রগসু কদায়দা করি থোক্লি হায়বদি লোয়না খঙনৈ।

মীয়াম্না হেন্না নুংঙাইত্রিবদি,মণিপুরদা ইন্টরনেট থিংজিল্লগসু য়ুমলোন্নবা ষ্টেটশিংদা থিংদবনিনা লালহৌবনি অমদি মীতোপনি হায়রিবা মপান্দগী চঙলকপা কুকিশিংনা অরানবা পাউ ময়াম অমা লেপ্তুনা শন্দোক্লিবসিনি। মপান লমদা ফোঙবা পাউশিং অমদি হাংলিবা নেটৱার্ক চেনেলশিংদা শেঙদবা মীরম কুকিশিংনা হায়রিবা, ইরিবা অরানবা পাউ ময়াম অসিনা মৈতৈ হায়বা ঐখোয়সে অরানবা তাহল্লে হায়বসি মপান্দা লৈবা মৈতৈশিং অমদি মরুপ মপাংশিংনা হায়রক্লি। ঐখোয়সি লোল থোক্তব্রা অচুম্বা পাউ মপান্দা হিন্দি নৎত্রগা ইংলিসতা ইবা,ঙাঙবা ঙম্বা লৈত্রবা হংলকপদা ইকায়বা ফাওরে। ময়ামসু অদুম খঙবীরমগনি,উবিরমগনি মপানগী পাউশিংদা কুকিশিংনা করি হায়নরিবগে? ইন্টরনেট লৈত্রবনিনা পাউ তাদবদগী ঈরাং লৈত্রে হায়না ঐখোয়না লৌনরিবসি অশীংবা ওইরোই। মীতোপ কুকিশিংনা লৌখিবা ৱারেপশিং প্রাইভেট চেনেল অমদা "থৌদোক অসি লোইদ্রি অচৌবা লান অমা ৱাৎলি। অথুবা মতমদা তম্পাক্তা তাবা কুকিশিং চুরাচান্দপুরদা থুনা হনবীরকউ.."অসিনচিংবা ৱা খন্নখিবগী পাউ থাদোকপা ফোং ফোং শারি। মসি তোকঙা নত্তে। মীয়াম্না তানরে। মীগীনা ৱা খন্নবা লোইখ্রে, ৱারেপ লৌখ্রে । লালগী থৌরাং লোইখ্রে। ঐখোয়না খূৎতা শান্তিগী কার্দ পায়রগা লাওরগা লৈরি। ৱাহৈসে ঈরাং শাগৎপা নত্তে,করেম্নবসু নত্তে । পেম্মা নঙসু ঐসু পূমসি হায়বসি থোক্লক্তনবা হায়জবনি। খুদোংথিবা নঙলবা ইচে-ইচলশিংনা কপ-লাওনা,থৱায় চাক্লা পাউ তম্বা তারগা টি.ভি মমাংদা ফম্লগা লৈবসে ঙমলকত্রে। অখঙ-অহৈশিংনা ঙাঙবা তানবখক্কী টি.ভি মমাংদা ফম্লব্রা ইথন্তা ইকায়জরে। । মীয়াম্নুনা খোং খূৎ পুনশিন্দুনা থল্লগা লুচিংবা খরনা সুম ঙাঙবসি তাবা ৱারকই। ঐখোয়গী মিৎ মাই ওইগদবা ইন্টরনেটনা থিংজিল্লগা থম্মী,মীগীনা লন্নাই চেনেল হাংদুনা লানপাউ চেল্লি,অথিংবসু লৈতে। মমাং থোং থিংলগা মনিং থোং হাংদুনা লৈরি। হৌজিক তম্পাক্কী মীয়ামসু পূন্না ৱা খন্নদুনা ৱারেপ লৌবা য়ারবা ফাওবদা ধারনা তৌবদগী হেন্দ্রি। চুরাচান্দপুরদা মীতোপ কুকিশিং হুপ্না,তোয়না ৱা খন্নরিবা অসিদনা থিংদ্রগা ঐখোয়না ৱা খন্নবদা থিংলগদি মসি লৈঙাক্কী অরানবা ওইগনি।

ইশাগী চাননবা থুম-থাউ, য়েঞ্জাং-নাপি, গাড়ি থৌনবা পেত্রোল ঐগী ৱাৎতনবা লৈশিন্দুনা য়ুমদা থল্লগা,চাকঙন চারগা লোকেল কেবল টিভিগী মমাংদা ফমদুনা পাউ তারগা মী অয়াম্বা লৈনবগুম তৌরি। ইন্টরনেট কুইনা থিংবনা হন্দক্কী ৱাথোক অসি নেমহনবা ঙমগনি থাজদে। রিলিফ কেম্পশিং মফমদা চৎপদা অচুম্বা পাউ লোয়না খঙবা ঙম্মী। থৌদোক থোকফমদগী ফংলিবা পাউগা, স্বাইদা পাউ ঈ নৈনবদা,খন্নবদা তারিবা পাউগা মশক মচু মান্নদে। থৌদোক থোকফমদগী তমলকপা পাউ তারগা হকচাংসি খাঙবা ঙমদে। য়ূম মনুংদা টিভি মমাংদা ফম্লগা মৈ চাকপগী মৈশা ফংদে। মৈশানা চীংখোংদা ফংই ,স্বাইদনা মণিল ফংবনি। মণিলনা মৈশাগী অশাবা চাং খঙবা ঙমলোই। হৌজিক অরানবা পাউ শন্দোকপদা পংলৌ লৌনদ্রে। মী খূদিংমক শিংনৈ । লম্বী খঙদবফাওবা গোগল মেপ্তা য়েংলগা মফম খঙবা ঙম্নরবা মতম,লম্বী লম্মানংবা লৈত্রবা,ত্রেক্কিং তৌরগা ফংবা ঙম্নরবা মতমসিদা তোকঙাগী মফম লৈতে।

মণিপুরসি কনানা পাল্লিবগে? ৱাহংসিগী পাউখুম মীয়াম্না তানিংলি। লৈপাকসি কনাগী মখাদা লৈবগে ৱাহংসি মীয়ামগী চিন্দগী থোকলকই । লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌমীশিংদি ঈংনা চীক্লা খুন্দা লৈতানা হিংবা পাম্বা ঙাক্তনি। খুন্দামিন্নরিবা নগা,মৈতৈ, মৈতৈ পাঙলদি লমগী করাম্বা লৈতে। ফিভম অসি য়ৌরকপদা য়েলহৌমী ওইরিবা লমদমসিগী চীংমী-তম্মী ইচিল ইনাওশিং অমত্তা ওইনা পূনশিন্নবা মতম ওইরবনি। ঐখোয়গী লন থুম ঐখোয়না ঙাকচবা হায়বসিনা অচুম্বনি। লন থুম ঙাকমীন্নগদৌরিবসি য়েলহৌমী ওইরিবা চীংমী অমদি তম্মী অনীসিতনি। নাগাশিংগা মৈতৈগা,মৈতৈ পাঙ্লগা হৌজিক অমত্তা পুনশিন্নরবতা মীতোপ্পা লাকচবা ঙমলোই। হৌজিক ফাওবা ফিভমসি য়ৌরক্লবদা করিগী পূনশিন্দবনো? ঐখোয় পুনশিনমিন্নরসি ।

য়েলহৌমী ওইরিবা লমদমসিগী মীয়াম্না মচোয় তারিঙৈ,লৈঙাকপশিংনা অমগা অমগা য়েংশিন্নরিঙৈদা মীতোপ্পা লম খোপচিনখিবনি, মপূ শারকপনি হায়বসি ঐখোয় য়ামিন্নসি। হন্দক্কী থৌদোকসি পারা য়াম্না তম্নিংঙাই ওইরি। অসুম হেনজিনখিদুনা মণিপুরী হায়বা কাঙলুপসিগী কাঙখুল মুৎখ্রগনি। ঐখোয় থৌনা লৈসি। তম্পাক্কী চীংমী তম্মী অনীমক তূমিন্না লৈবা মতম নৎত্রে । শাদা লান্দা থৌবনি হায়বদু উৎপা মতম ওইদ্রিব্রা ? খূৎ হন্দবসি কুইমল্লে, হোই অমুক্তং লাওমিন্নসি।

ঐগী লৈপাক মীয়াম্না য়াদ্রে হায়বা ৱাহৈসি সেন্টরদা হায়বা ঙমদবগী মওং অমা অঙম-অথৌশিংগী মাইথোংদা উবা ঙম্মী। লমদমসিগী লুচিংবশিংনা অসুক শোন্থখিবসি করিদগীনো? শোন্থবদি ওইরোই খূৎ থাবা য়াদবা,তৌনীংঙি হায়দুনসু তৌবা য়াদনা লৈবগী ওইরম্বসু য়াই অদুবু কয়াম কুইনা খাঙগদগে ? লাঞ্জেনলক্লিবা ইপা-ইচা,ইচে-ইচলশিংনা থৱায় চাক্লা,কপ্পা কপ্পা পাউ তম্লরবা ফাওবা খাঙবা ঙম্বিরিব্রা অথৌবশিং। গম্ভীরসিংগুম্বা,লময়ানবা ইরাবৎকুম্বা, হিরাচন্দ্রগুম্বগী ঈ ঐখোয়গী শিংলিদা চেন্দ্রে, ঐখোয়সে অশেঙবা য়েলহৌমী হায়বদু ওইদ্রমাল্লে। চীংমী তম্মী (নগা,মৈতৈ,মৈতৈ পাঙল) পুল্লসি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# এন্টরটেনমেন্ট ইন্দষ্ট্রি অমসুং মণিপুর

'এন্টরটেনমেন্ট' হায়বা ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক, কনাগুম্বা অমা নৎত্রগা খরবু পূক্নিং-ৱাখল নুংঙাইনবা, অৱা'-ৱাখল কাউহনবা অদুবু খঙনৈ। ঈশৈ-নোংমাই, দ্রামা-সিনেমা... মীওইবনা পুথোকপা নুংঙাইবা থিনবা পান্থে, এন্টরটেইনমেন্ট মীদিয়ম ঙাক্তনি। ৱাহৈসিগী অতোপ্পা ৱাহন, 'হরাও-কুমহৈ' হায়বসিসু অমনি। মীওইবগী পুন্সিদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা থাদোক্লবা য়াদ্রবা, অরোইবা মীকুপ ফাওবা শাগোন্নরগদবা মপাঙ অনীনি হায়বা খঙনা খঙনা কনানসু অৱাবগা শাগোন্ননীংদে। নুংঙাইবা মীকুপশিংদুতবু খোয়দাজে। থৌজাল হৈবা, নিরি'মখে পী'ঙম্বা, চৈরবসু শাউদবা, তৌগে'খুদিং তৌ'ঙম্বা, পূমঙম ঙম্বা 'ঈশ্বর' কৌবা শকউদবা, শক্তম-মিতম লৈতবা কনাগুম্বা অমা শেল্লগা 'অৱা-অনা নংহনবী'নু, নুঙাইবতা ওইহনবীয়ু, নঙগী থৌগল লোমনাইদনা তৌজগে'... তাৎ অমগা ইরোয়নবা, ওইজবা থিবনা মাঙওইনবা লাইশোন অমা শেল্লল্লিবা মীওইবনি।

নুংঙাইবা থিবা অমসুং পীবা, থবক অনীমক মীওইবগী থবকনি। ঈশ্বরনা মীওইবদা অৱাবসু পীবা ঙমদে, নুংঙাইবসু পীবা ঙমদে। মীওইবনসু পী'ঙম্মী অৱাবসু নুংঙাইবসু। পূমঙম ঙম্বদু মীওইবনি, ঈশ্বর নত্তে। মীওইবগী ৱাখল! অফ-ফত্ত, অৱা-নুংঙাই পূম্নমক্কী হৌরকফমনি-মীওইবগী ৱাখল। ...'মালেমসি নঙনা শেম্বনি, অমম-অঙান খায়রিবা, অঙৈং-অশা নাইরিবা, থোকহনবনি নহাক্লা... থৌজাল হৈবা নহাকনি, পীনহৈবা নঙতনি'... থাগৎলগা হরাওবা মাগী মতৌদু লাই মঙোন্দা পানশিন্দুনা পুথোক্লককখি 'লাই হরাওবা' - এন্টরটেইনমেন্ট কৌবা, হরাও-নুংঙাই-তয়ানগী 'অহানবা মেনিফেষ্টেসন'। ঈশৈ-নোংমাই-জগোয়-কুমহৈগী পূমশুপ শুপ্পা শক্লোন অমা।

অসুম্না, মালেমগী মফম পূম্নমক্তা, নুংঙাইবা পাম্বা মীওইবগী পূক্নিং পেলহন্নবা পুথোক্ল রকখিবা এন্টরটেইনমেন্টকী মেদিয়ম কয়া লাইশোন থৌরম (রিচ্যুঅল) ওইনা পাঙথোক্লরকখি। সোসল-ফঙ্কসন/ওক্কেজন কয়াদা য়াওদ'-য়াদ্রবা মচল অমা ওইরকখি। তপ্পা তপ্পা ইন্দষ্ট্রি অমই শক্লোন লৌরকখি। ইন্দষ্ট্রিঅল ইকোনোমিদা এন্টরটেইনমেন্টকী মফম চাউনা লৈরকখি। ম্যুজিক-ইন্দষ্ট্রি অমসুং ফিল্ম-ইন্দষ্ট্রি-এন্টরটেইনমেন্ট ইন্দষ্ট্রিগী খ্বাইদই চাউবা শরুক অনীনি। মহারাষ্ট্রগী কোনুং 'মুম্বই-সিটি' ইন্দিয়াগী কম্মর্সল কেপিটেলনি হায়নরিবা - ফিল্ম প্রদক্সনগী মরু ওইবা সেন্টর অমা ওইরম্বননি।

মণিপুরগী ওইনদি ফিল্ম অমসুং ম্যুজিক'না পূক্নিং-ৱাখলবু নুংঙাইহনবা, এন্টরটেইন তৌবগী অচৌবা মেদিয়ম অমা ওইরবসু ইন্দষ্ট্রিঅল য়ুনিট অমা ওইনা শকখঙবগী থাক অদু য়ৌনদি কাখৎলকপা ঙমদ্রি হায়বা তাই। মতম অমা লৈরম্মী - সেল্লুলোইদ মেদিয়মদা ফিল্ম নম্নরিঙৈ, ফিল্ম প্রদক্সন হায়বসি মমল চঙবা, মতম চঙবা থবক অমা ওইবই মথক্তা মুম্বই নৎত্রগা কোলকটাগী লেবোরেটরিদা তাংজফম ওইবনা প্রোদ্যুসর অমসুং দাইরেক্টর মরাং কায়রমদে। অদুবু, হিন্দি ফিল্মগী কৈথেলদি মরাং কায়রম্বনা 'মণিপুর'সু ইন্দিয়ন ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিগী অচৌবা কৈথেলদুগী শরুক অমা ওইরম্মী। খঙহৌদনা, লমদমসিগী সিনেমা হোলশিংদগী হিন্দি ফিল্মগী খোঙ্গুল মূৎখিবদগী, দিজিটেল-ভিদিও মোদেলদা নম্বা মৈতৈলোনগী ফিল্মশিং মরাং কায়না থোক্লককখি। এন্টরটেইনমেন্ট ইন্দষ্ট্রিগী অনৌবা য়াওল অমা লাক্লবগুম খন্নখি। ফিল্ম মেকর, এক্টর, টেক্নিসিয়ন মশীং খঙদা লীৎখৎলকখি ঈকঙ থোক্লবা লৈমায়দগী। অদুবু কুইদে। শাফু কল্লবা টেক্নোলোজিগী অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ মরকসিদা কুইনা লেপ্পা ঙমখিদে। হুমদুনা পুখি। য়েংবীনবা লৈরকখিদে। ৱানা শেমগৎলকপা অনৌবা কৈথেল পূমতাক তাকখি।

মরক্তুদা, অহিংবা কলা মরক্তগী খ্বাইদই য়ুনিক ওইবা লমদমসিগী পর্ফোর্মিং আর্ট-ফোর্ম 'শুমাং লীলা' - লমদমসিগী নুংঙাইবা পাম্বা মীয়ামগী থম্মোয় খোন্দুনা পুবা অমত্তা ঙাইরবা কলা অমা ওইনা নাইতোম লেপখি। চীংয়া তময়া, লৈরক খুল্লক, সহর-খুঙ্গং খাক্তনা য়ৌবা ঙম্বা এন্টরটেইনমেন্ট - মেদিয়ম অমনি - শুমাং লীলা। অৱাবা-নুংঙাইবা-কপ্লিংবা-নোক্লিংবা ... মীওইবগী পূক্নিংগী ইহুল পূম্নমক্কী ইতিনফম ওইবা কলাগী প্লেটফোর্ম অমনি। মণিপুরদা লৈরিবা লিভিং আর্ট মখল পূম্নমক্তগী কলাকারশিংবু হিংনবগী পান্থে অমা পীবা ঙম্বা ইন্দষ্ট্রি অমগী লমচৎ চেনবা, অমত্তা ঙাইরবা কলাগী পোথোক অমনি 'শুমাং লীলা'। ইন্দষ্ট্রিঅল মেনেজমেন্ট হায়বসিনা এক্টিব ওইরিবা ইন্দষ্ট্রিঅল য়ুনিট অমগী পুন্সি অমদি মরাইবক লেপ্পগুম মণিপুরগী শুমাং লীলাগী পুন্সি অমসুং তুংলমচৎ লেপকদবসু, শুমাং লীলা য়ুনিটশিং অমসুং য়ুনিটশিং অসিগী অপূনবা বোদি 'মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল' - থৌপুবশিংগী মেনেজমেন্ট স্কিল অদুনি। লাপয়েং য়েংবদা ৱারেংজরিবা ঐহাক্লা উজবনি - লূপশিং অসিনা ওর্গনাইজেসনেল মেনেজমেন্ট নত্তবা ফাইনান্সল মেনেজমেন্টকী এরিয়া'সিবুদি মরু ওইবা হীরম অমা ওইনা লৌদবগী অচৌবা অহোব'সিমদি মেনশিন্নবা কৈদৌঙৈদা হোৎনদে। এরিয়া অসি হোবননি - কোভিদ-১৯গী অকনবা চৈথেং মায়োক্ল রুরবা মতুংদা ঙসি অমুক, মণিপুরগী মীয়াম্না কম্যুনেল দিসহার্মোনিগী চৈথেং ফংলকপদা শুমাং লীলাগী কলাকারশিং মায়থোঙ লাংশিল্লক্লিবা।

শুমাং লীলাগুম্বা, ইনভেষ্টর ৱাত্তবা ইন্দষ্ট্রিঅল য়ুনিটশিং (ফিল্ম অমদি ম্যুজিক ৱর্ল্ড) দা থৌ-পাঙলিবা কলাকার অমসুং ইনভেষ্টরশিংদা ৱাফম অমদি হঙ্গৎচনীংই - হৌজিক থোক্লিবা কুকি-মৈতৈ-কাঙলূপ-অনীগী ঈরাং, মণিপুরগী সোসিও-পোলিটিকল ইকোনোমিদা অকনবা চৈথেং অমা পীরক্কনি শোয়দনা। লেট অজ প্রিপ্যার ফোর এ সিষ্টেমিক চেঞ্জ। —*ইন্দ্রকুমার*

ৱারী ককনাউ

# অকংবা অঙাংবা গুলাপ -১৭

ঐগী ইমুংদা থাজদবা ঙাক্তনি তৌরিসি। মীঙোন্দা ৱারী লীবদনা কনামত্তনা থাজররোই, শেমজিন শাজিল্লগা হায়রিনি হায়না খনগনি। ইশাদা থোক্লিবা ঐ ফাও থাজদ্রকানসিদা কনানা থাজগদৌরিবনো? থোইবী, মেমী চান্নজবী মরুপ ওন্থোকখ্রে। মেমীনা ঐনা লৌজরিবা ইচা পোক্তুনা লৈরিবা ঐগী নুপীনি। থোইবীনা ঐনা পাখং ওইরিঙৈদা পৎ তৎখৈ কোইনজরম্বীনি। হৌজিকপুদি পৎ লাওনা তৎখ্রে। তৎলবা মরীদু কাইদৈনো খঙদে, ইঙাও ঙাওনা ঐনা পামজনা নৎত্রসু থম্মোয়সিনা নীংঙাই তৌবদগী শমজিনগে তৌবনি। মসি ঐগীসু অচৌবা ইরাল অমনি। ঐ লান্দে গাইনা চেনবা য়াবা নত্তে। অহানবদদি মাগী অৱাবদু উবদা ইচম চম্না মতেং খরা পাংগে খল্লুবনি। মতেংদু পাংলগা তূমিন তোক্তে, কাইদৈনো ৱাখল অফৈবা অমা খনজিল্লক্তনা অরোন অথুপকী টাইপতা ফোনদা খঙদে, ময়ূমদা খঙদে ৱারীগকা শাদুনা তৌরুরপোৎনি।

ঐগী নুপী মেমীনা ফারকখ্রিদুসু ঐনা ইরুজবা চঙখ্রিঙৈদা ফোন তৌরকপদগী মানা পায়খৎলুবদা চিংনবগী মৈরি চুখিবনি। অহিংদগসি মেমীনা তূমখ্রগা মপান থোক্লগা কাং মরক্তা পাখং লৈশাবীগী টাইপতা ফোন্দা ৱারী শারিঙৈদা ঐগী নুপীনা ফাবগী থৌদোক্কসু লৈখ্রবনি। মদুদা ঐনা ঙম্নবা মপান থোকপনিগাইনা খুমদনা য়াম ওইদ-পাদবা তৌখ্রপোৎনি। ঐগী নুপী মেমীনা ইমুংদা টোইলেট/ৱাশরুম লৈনা লৈনা অহিংসিদা মপান থোক্লিসিবু করিগীনো গাইনা চপখৎলকপদা ঐনা খুন্ফম খঙখিদবগী ৱারী থৌদোক্কসু ফনা য়াম লৈখ্রবনি। অদুদগী মথং মথং লোন্না লোন্না থিগৎলক্তুনা নোংমা দাইরেক্ট বজারদা নোং চুবা নুমিৎ অমদা থোইবীগী পোৎ ঐনা ওটোদা থাংবীরুবদগী ফাখিবনি। নুমিৎতুদগী ইরাং শাগৎনরকপদুনা ফনা কুইনা ইমুং মহি লাংদুনা লৈরুরবনি। ঐনা ফনা চেল্লি, মানা অদুম তাল্লি। লম্বী থৎ থৎতুনা ৱাহং পাউহং তৌবদা পান্থে লৈতদুনা খজিক খজিক হায়দোক্লুবদগী মেমী মশামক থোইবীগী ময়ূমদা চৎলগা লান্দাবা চৎপদা থোইবীনা মাগী অৱাবা ৱারী লীশিল্লকপদগী খিতং থোৎথরকপা তাঞ্জাদুদা মেমীনা থোইবীবু নুংশিরুবনি। মদৈদি মখোয় অনী ফনা ফজনা লুনা তিন্নখ্রে। থম্মোয়গী মরী শমগে হোৎনরুবা ঐ নাকন্দা তারগা লৈহৌরিসিনি। হৌজিক্তি থোইবীসি ঐনা খনখিবা ৱাখলদু মা নোংফাদোক্কা নীংশিংলমগদ্রা নৎত্রগা কাউরম্মদ্রা ঐ হায়বা ঙমদে। ঐগী য়ূমমক্তদা লাকশিন্দুনা চাকখুমদা চঙলগা চাক্লা থোংদনা তৌররিসিনি। ঐনা মীৎচি নাচিনগা হায়ফেৎ কা য়েংলুবা য়াবা নত্তে। ঐগী নুপী মেমীগী মীচং চঙলগা ঐবু ৱারকপা হৌরেদনা। ঐনা য়াম্না হেক নোকনীংলিদি, নহান নোংমা মানা ঐগী য়ূমদা চাক থোংলগা লৈরম্বদুগী মরম হংগে হায়না লোন্না য়ূমদগী থোরক্লগা হোটেল অমদগী ফোন হায়ফেৎ তৌরুবু, কয়া থীনা চৈরকখ্রে। ঐনা কোইজরিবনি খঞ্জরিবা মানা ঐবু ৱারক্লকপদুনি ঐনা নোক্লিংলিসি। হোয়, কোইনবা মশেল ৱারক্লবা কোকথোং অমা য়াওই। মদুদি কল্লক খম্বন্নবা, ওইনবনচিংবা কয়াগা মরী হায়রপ লোইনা লৈনৈ। অদুবু মাগীসিদি অদুগা শুংনৎ নত্তে। দাইরেক্ট হেক্তা ঐবু ঙাওশিন্নৈ গাইনা ঐগী নুপীমক্লা হেক হায়বদগী হেল্লিবসিনি, ঐনা ঙকইসে। থোইবী মহৌশা নৎত্রে। য়াম হোংখ্রে, য়াম নত্তে, পুমহোঙ হোঙখ্রে।

মসিদা ঐনা অমুক চিংনরক্লিসিনা, মখোয় অনীসিবু নুপী মশেল কোইনবগী থাক অদুগা য়ৌরজাৎলা সিনি। ওইরমদবদি য়াইকো, অদুগুম্বনিগাইনসু খনবদি ঙমদে। অদুবু মোই মতৌদুদা সুম চিংনদনগা হায়রবনি ঐগীসে, চিংনবাইবু, ঐগী নুপী মেমীনা মখোয়দা চৎলি, থোইবীনসু ঐখোয়দা লাকই। চুম্নগী লাকপগা নত্তে, অহিং লেকশিন্দুনা লৈশিল্লরিনি। অদুসু মখোয় অনী ঐগী কাদুদা নত্তবা অতোপ্পা ইচানুপাগী ফমুংদা তূমিন্নরিনি। ইচাদুবুদি বোর্ডিংদা লৈখিকো। ঐসে ইচিং চিংনবা অমা ফাওরে। মোই অনীনা অহিংদা তূমিন্নবা মতমদা ৱারীসি ফনা নীংথিজনা শানৈ। শুরু শুরু নৈ নৈদুনা, মোইনা শান্নরি ৱারীসি করিনো হায়না ঐনা তূমিন্না ফক্লাংদা নাকোংসি নপ্পগা তারুবু, ময়াম্নদি থাজরোই শুমাইনা ৱারী শারম্থে ৱানিসে,

"ঐসে ৱাখলসি ইনুং নুংঙাইতে" থোইবীনা মপুক্লিং নুংশিনা হায়বনি।

"কৈদৌবৈ নুংঙাইরোইদৌরিনো, ঐ লৈরিসিদি, ঐনা অঙম্বা মতেং পাংগনি। ইচাদো কৈনো নঙনা তমহন্নীংঙিদো, ঐনা লোইনা তৌগনি, কৈসু চিংনগনু হিংচাবী, নথম্মোয় চাওথোকউ, ঐ নঙগীদমক লৈরি"

মবানিগী ৱারীদু ঐ শ্বাই শ্বাই লাওই। নুপা শারিসি ঐগী নুপী মেমীরা নৎত্রগা কনানো হায়না ঐ কনফ্যুজ অমা হায়রপ তৌরুই। মসিদদি খঙলগে হায়না মখা তাই।

"মেমী ঐ য়াম ৱাই। ঐগী লাইবকসে থীখ্রেদকো"

"থোইবী নঙ অদুমাইনা তৌগনু হায়বনি। ঐখোয় মীওইবা হায়বসি অমনা অমগী অঙম্বা মতেং পাংনগদবনি। ঐনসু নঙগী অঙম্বা মতেং পাংগনি, নঙনসু ঐগী অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু"

"ঐনবু নঙোন্দা করি মতেং পাংবা ঙমগদৌরিবনো"

"য়াম্না লৈ"

"হায়য়ু, ঐনা ঙম্বা ওইরদি পাংগনি"

"ঐগী নুপাসে, মাসে ৱাখল হেক হেক চোংগে তৌই। মাগী ৱাখলসে নঙনা চুমথোকপা অমা মথৌ তাই"

"মেমী নঙ ঐবু থাজদ্রা? ঐ করিগুম্বা অরানবা ৱাখল অমফাওবা খনখিদে। মীওইবনা ইরাক্লরবদা পান্থে লৈতদুনা নাপি মকা অমফাও লাম্মী হায়বদুনি। মদুনা নঙ অমদি তামোগী পুন্সিদা করিসু অয়েৎপা লৈগদবা নত্তে। মেমী নঙ ঐবু থাজৌ। ঐগী পুন্সিদি ঐগী ইচাগীদমক্তনি। ঐ নহান্না শিখিবা য়ারবনি। ইচা অসিগীদমক খনবদগী হিংলিবনি। অসুক য়াম্না নীংবা কায়বা কনামত্তনা থেংনরোই। ঐনা করিগুম্বা শিখিবা তারবদি ঐগী ইচা অদো য়েংশিনবীনবা কনাসু লৈররোই খন্দুনা ঐ শিবা ঙমদবনি"

"থোইবী"

"মেমী ঐ অনীরক শুরে শিরগে হায়না ঙক্তা থৌরি থুরুবা অদুবু ইচাগীদমক ঐ ঙক্তা থুরুরবা থৌরি লৌথোক্তুনা ঙসিফাও হিংলক্লিবসিনি" হায়রগা থোইবীদি পেন্না কপখি। ঐগী নুপী মেমীসু কপ্পা কপ্পা থোইবীবু য়াম্না থেমখি।

মখোয় অনীগী ৱারীদু তারুবদা ঐ য়াম্না নীঙম্মক্তে। ঐগী অপংবা অমদি অরানবা ৱাখল অদুবু ইশা ইথন্তা পেঞ্জখিদে, খল্লুরগা অসুম ইকায়রকখি। নুমিৎতু ঐ ফমুংদা লোংনা হিপ্পগা মীৎ কক্লা অমফাও উইশিনবা য়াদবখৈ নোং ঙানখিবা খঙহৌদে।

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**